# অমুবা সিংহ মেমোরিয়েল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট আর এফ সি অমদি এস দি এস ফাইনেল শান্নরগনি

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ ঃ** য়ুঠ ব্রাহট ষ্টার ক্লব শগোলবন্দ তেরা শাপম লৈরক নোংমাইথেম লৈকায়না শীন্দুনা ক্লব অসিগী প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা ৭শুবা এস অমুবা সিংহ মেমোরিয়েল সিক্স এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ফাইনেলদা আর এফ সি শগোলবন্দ খন্নাম লৈরক অমদি এস দি এস লমদেং খুনৌ মে তাং ১ দা শান্নরনি।

থার্দ অমদি ফোর্থ প্লেস মেটচতা ঙসিগী সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা মায়থিহৌখিবা মাম্মা এফ সি শগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জোর অমদি এস সি ব্রাই য়ুন্নাম খুনৌ শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা আর এফ সি শগোলবন্দ খন্নাম লৈরক্না মাম্মা এফ সি শগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জোর গোল ২–০ দা মায়থিবা পীরগা অহানবা ফাইনেল চঙবা টিম ওইখিবনি।



আর এফ সি গী মায় পাকপগী গোল অনী অদুনা অনীশুবা হাল্ফকী ৩৪ অমদি ৩৮ শুবা মিনটতা চনখিবনি। অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে।

মেটচ অদুগী ১২ শুবা মিনটতা আর এফ সি গী পীয়াবুংদা রেফরিনা ১২ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমা পীখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এস দি এস লমদেং খুনৌ অমদি এস ব্রাই য়ুন্নাম খুনৌনা শান্নখিবা মেটচতা এস দি এস না গোল ৫–২ দা মায়থিবা পীরগা অনীশুবা ফাইনেল চঙবা টিম ওইখিবনি।

এস দি এস গী গোল মঙা অদু জিমিনা ১,৩ অমদি ২১ শুবা মিনটতা গোল অহুম, এস মণিমোহোন অমদি জেকিনা ১৯ অমদি অহানবা হাল্ফকী অহাপ্পা মতম ২৬ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

এস সি ব্রাই গী গোল অনী অদুনা ঐচ অজয়কুমার অমদি ব্রাই রোমিনা অহানবা অমদি ৩২ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি। মেটচ অদুগী ২৫ শুবা মিনটতা এস দি এস গী এম দেৱান্দা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমা পীখি। অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা এস দি এস না গোল ৫–১ দা মাংজিল থাদুনা চৎখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসি হৌখিবা থা অসিগী ১০ দগী চথরকখিবনি।

# লন্নাই কেন্দ্র ভিলেজ ব্রাইজ ফুটবোল ব্রাই দি সি এল অমদি এস টি পি পি এ মায় পাকখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ ঃ** এফ সি লন্নাই ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা এল এস ব্রাই দি সি প্লে গ্রাউন্দদা চথরকখিবা অনীশুবা লন্নাই কেন্দ্র ভিলেজ ব্রাইজ মেন্স ওপন ৭ এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ব্রাই দি সি এল পুংদোংবম অমদি এস টি পি পি (এ) সেক্তা মায় পাকখ্রে।

সি ঐচ ব্রাই য়ু সি চালৌ অমদি কে কে ব্রাই দব্লিউ কাঙ্গুচিংজিন গোল ২–২ দা দ্রো ওইখ্রে।

গ্রুপ সি গী ব্রাই দি সি এল অমদি পুরৈরোম্বা লন্নাইনা শান্নখিবা মেটচতা ব্রাই দি সি এল না গোল ৭–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ব্রাই দি সি এল গী গোলশিং অদু রতন্না ৩২,৪২ অমদি ৪৮ শুবা মিনটতা গোল অহুম, ঙান্বনা ৩৮ অমদি ৪৫ শুবা মিনটতা অনী, গুলু অমদি বিনোদখানন্না ১২ অমদি ১৬ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

পুরৈরোম্বগী গোল অনী অদুনা থোইথোই অমদি হেরোজেন্না ৭ অমদি ৩৫ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

গ্রুপ বি গী এস টি পি পি (এ) সেক্তা অমদি এন এস এ নোঙ্গ্রেন্না শান্নখিবা মেটচতা এস টি পি পি (এ) না গোল ৬–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

এস টি পি পি (এ) গী গোলশিং অদু নোংপোকঙাম্বনা ১৫, ৪০ অমদি ৪৬ শুবা মিনটতা গোল অহুম , বিগ্যানন্দনা ৩৫ অমদি ৪৮ শুবা মিনটতা গোল অনী অমদি ভিম্না ২০ শুবা মিনটতা অমা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী ৪৬ শুবা মিনটতা এস টি পি পি (এ) গী নোংপোকঙাম্বা অমদি এন এস এ গী অমোচাদা রেফরিনা রেদ কার্দ পীদুনা মেটচ অদুদগী তাম্থোকখি। নোংপোকঙাম্বগী অহানবা য়েল্লো কার্দনা ২৭ শুবা মিনটতা ফঙখিবনি।

এন এস এ গী বিরজিৎতা রেফরিনা ৪২ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমা পীখি।

গ্রুপ সি গী সি এস ব্রাই য়ু সি চালৌ অমদি কে কে ব্রাই দব্লিউ সি কাঙ্গু চিংজিন্না শান্নখিবা মেটচকী সি ঐচ ব্রাই য়ু সি গী গোল অনী অদুনা মণিসনানা ৩৫ অমদি ৪০ শুবা মিনটতা চনখিবনি। কে কে ব্রাই দব্লিউ সি গী গোল অনী অদুনা দরা অমদি বিক্রম্না ১০ অমদি ৪৫ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

সি ঐচ ব্রাই য়ু সি গী বুঙ্গো অমদি বোইচাদা রেফরিনা ৮ অমদি ৩৮ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখি। কে কে ব্রাই দব্লিউ সি গী সনাজিৎতসু রেফরিনা ৪৬ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমা পীখি।

গ্রুপ এ গী বোলেরো সেক্তা অমদি ব্রাই য়ু দি সি থম্নাপোকপিনা শান্নগদবা মেটচ ব্রাই দি সি থম্নাপোকপি লাত্তঃবদগী বোলেরোনা ব্রাল্ক ওভর ফঙখ্রে।

# ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ ভোলিবোল টুর্নামেন্ট সেমি ফাইনেলদা থেংনগদবা টিমশিং খঙবা লোইখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ ঃ** ঐচ ব্রাই দি সি সি এল হৈক্রুজম্না শীন্দুনা হৌখিবা থা অসিগী ২২ দগী টিম ১৭ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা ক্লব অসিগী ভোলিবোল কোর্টতা চথরকখিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল কেস প্রাইজ মিনি বোইজ ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ ক্বাটর ফাইনেলগী মেটচশিং ঙসি শান্নবা লোইশিনখিবগা লোয়নন্না সেমি ফাইনেলদা থেংনগদবা টিমশিং খঙবা লোইখ্রে।

অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এস দব্লিউ ব্রাই সি সন্তিপুর শমুশঙ অমদি পি বি এম ব্রাংজিং শান্নরগনি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এস য়ু দব্লিউ সি ইরেংবম অমদি ঐচ ব্রাই দি সি সি এল (এ) হৈগ্রুজম হয়েং শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা এস দব্লিউ ব্রাই সি সন্তিপুর শমুশঙনা পি বি এম ব্রাংজিং সেট ৩–০(২৫–১০,২৫–১৪,২৫–২০) দা , অনীশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা এস য়ু দব্লিউ সি ইরেংবম্না মিক্ষা ময়াং ইম্ফাল সেট ৩–১ (২৫–১৮,২৪–২৬,২৫–২৯,২৫–২৩) দা , অহুমশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা পি বি এম ব্রাংজিংনা ব্রাই পি সি বেঙ্গুল লৌকোক সেট ৩–০(২৫–০,২৫–০,২৫–০) দা অমদি মরিশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা ঐচ ব্রাই দি সি সি এল (এ) হৈগ্রুজম্না এন ব্রাই ভি এ নাউরেম সেট ৩–০ (২৫–০,২৫–০,২৫–০) দা মায়থিবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচনা নুংথিল পুং ২ দা শান্নরগনি। টুর্নামেন্ট লোইশিনবগী থৌরমদা ঐচ ব্রাই দি সি সি এল এ গী প্রসিদেন্ট এল ইবোমচা সিংহ, এম এল এ কে সরত সিংহ,সোসিয়েল ব্রাকর এল নন্দো সিংহ অমদি দি এম কলেজ ওফ আর্টস কী সেনিয়র লেকচর কে ঐচ রঞ্জিৎ সিংহ না মথং শিংনা প্রসিদেন্ট চিফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নরশিং ওইদুনা মনা–মথুমশিং য়েন্থোক্কনি।

টুর্নামেন্ট অসি হৌখিবা থা অসিগী ২২ দগী চথরকখিবনি।



স্পেনগী লা লিগাগী রিয়েল সোসাইদেদকা শান্নগদবা মেটচতা শরুক য়াবা ঙম্লোইবা রিয়েল মদ্রিদকী মরুওইবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা

# ভেটরান ফুটবোলগী মেটচশিং শান্নখিদ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ ঃ** মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ১৮ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নগদবা মেটচশিং লৈবাক্কী ওইবা ফিভম্না মরম ওইদুনা মেটচ অমত্তা শান্নখিদ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেটচতা এফ সি ইম্ফাল ময়াইকোইবি অমদি ভি বি এফ এ কৈশামপাৎকা গ্রুপ এ গী, অনীশুবা মেটচতা এন সি দি এ খোঙহাম্পাৎ অমদি কে এস সি লম্বুলেনগা অমদি অহুমশুব মেটচতা আই ই ভি এফ এ শলাম্থোংগা য়ু ভি এস এ লিলোং চাজিংগা গ্রুপ অসিগী মেটচ শান্নগদবনি।

# সি আর পি এফ ইন্টর বটালিয়ন হেন্দবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ ঃ** ৬৯ বটালিয়ন সি আর পি এফ না শীন্দুনা ঙসিদগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা গ্রুপ সেন্টর সি আর পি এফ কী বটালিয়ন হেদ ক্বাটরদা ইম্ফালদা লৈবা গ্রুপ সেন্টর ৭ কী টিম্না শরুক য়াদুনা ইন্টর বটালিয়েন গ্রুপ সেন্টর ও পি এস । গ্রুপ সেন্টর হেন্দ বোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমদা ৬৯ শুবা বটালিয়ন সি পি আর এফ কী ওফিসিয়েটিং কম্মন্দেট অরুনকুমারনা হৌদোকখি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ৩৯ বটালিয়ন্না ৩২ শুবা বটালিয়নবু গোল ২৭,১৪ দা মায়থিবা পীখি।

অনীশুবা মেটচতা ১০৯ বটালিয়ন্না ৮৭ বটালিয়নবু গোল ১৫–৮ দা মায়থিবা পীখি। অহুমশুবা মেটচতা ১৪৩ বটালিয়েন্না ৮৬ বটালিয়নবু গোল ১৬–১২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

হয়েং অহান্বা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৬৯ বটালিয়ন অমদি ১০৯ বটালিয়েন্না শান্নরগনি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ১৪৩ বটালিয়ন অমদি জি সি গ্রুপ সেন্টর ইম্ফাল শান্নরগনি।

হয়েং ফাইনেল শান্নদুনা টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনগনি। লোইশিনবগী থৌরমদা ৬৯ বটালিয়ন সি আর পি এফ হেন্দ ক্বাটর মণিপুর হোক্কিগী আই জি পি সি আর পি এফ মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ সেক্টরনা চিফ গেষ্ট ওইগনি হায়না ৬৯ বটালিয়ন সি আর পি এফ সেকেন্দ ইন কম্মন্দেট না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা টিম ৭ অদুদি ৩২, ৩৬, ৬৯, ৮৬, ৮৭, ১০৯ অমদি ১৪৩ গী বটালিয়ননি।



চহি অসিগী ওগষ্ট থাদা হৌগদৌরিবা রিও ওলেম্পিক গেমসকী ওলেম্পিক ফ্রেম গ্রীসকী সহর এথেনতগী পুন্নবা শেম শাবা

# রেফরি অহুম খল্লক্লে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ ঃ** শিলোংদা মে ১ দা পাংথোক্কদৌরিবা হেরো ফেদরেসন কপ ২০১৬ গী মেটচ অমদা কন্দক তৌননবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না মণিপুরগী রেফরি অহুম খল্লক্লে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী এন রঞ্জিৎ রোইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

খল্লক্লবা রেফরি অহুম অদুদি এল অজিৎ মৈতৈ রিংকাহাও বসুম অমদি প্রিয়োবত্তা সিংহ নি। খল্লবা রেফরিশিংনা মেটচ শান্নগদৌরিবা মফমদা রিপোর্ট তৌগদবনি

# লন্নাই কেন্দ্র ভিলেজ ব্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট মেটচ অনীমক দ্রো ওইখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ ঃ** ১১ শুবা তেলৌ জোইন্ট কো ওপরেটিব ফর্মিং সোসাইটি লিমিটেদ ত্রোফি লন্নাই কেন্দ্র ভিলেজ ব্রাইজ মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনীমক দ্রো ওইখ্রে।

অহানবা মেটচতা শান্নখিবা গ্রুপ বি গী মেটচতা বি আর ব্রাই ও কম্বোংবুট অমদি এস পি ব্রাই সি শৈজাং গোল ২–২ দা দ্রো ওইখি।

বি আর ও গী গোল অনী অদু কিরনজিৎ অমদি বোবোথোইনা ১০ অমদি ১৮ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

এস পি ব্রাই সি গী গোল অনী অদুনা লন্দন অমদি ভিবেক্না ২৫ অমদি ৩৪ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

ব্রাই এস দব্লিউ সি শবুংখোক অমদি ব্রাই দি সি এল পুংদোংবম্না শান্নখিবা গ্রুপ অসিগী মেটচতা গোল ১–১ দা দ্রো ওইহনখিবনি।

ব্রাই এস দব্লিউ সি গী গোলনা দিনেস্না ১৩ শুবা মিনটতা অমদি ব্রাই দি সি এল গী গোলনা তেলহৈবনা ১৯ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

ব্রাই এস দব্লিউ সি গী বিক্রমদা রেফরিনা ৪৯ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমা পীখি।

হয়েং ব্রাই ব্রাই সি য়ৌরবুংগা কে এন সি কাঙ্গু চিংজিনগা গ্রুপ দি গী অমদি ই য়ু সি কামেংগা পি ব্রাই এল এ সেক্তগা গ্রুপ এ গী মেটচ শান্নগনি।










Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*